# HUEIYEN LANPAO
# হুইয়েন লানপাউ

Refreshingly Reliable


ফিল্ড আউটরিচ ব্যুরোনা শীন্দুনা দি এম কোলেজ ওফ কম্মর্সতা পাঙথোকপা সিস্টেমেটিক ভোটরস এদ্যুকেসন এন্দ ইলেক্টোরেল পার্টিসিপেসনগী এব্রেয়রনেস কেম্প্যেন



অশাংবা কম্যুনিকেসননা শীন্দুনা জে এন দান্স একাদেমীগী ওদিটোরিয়মদা ডা. ধকেশ্বরনা ইবা *ষ্টেয়িং ফিট, হেল্থি এন্দ য়ং ফোরইভর* কৌবা লাইরিক ফোঙবগী থৌরম



মেদিকেল দিরেক্টোরেটকী মখাদা লৈবা স্কুল ওফ এ এন এম/এফ ঐচ দব্লিয়ু ইম্ফালগী কেপ্পিং এন্দ লেম্প লাইটিং থৌরমগা মরী লৈননা উ চারা থাখিবগী শক্তম



নেসনল চিলদ্রেনস সাইন্স কোংগ্রেসতা শরুক য়ারুবশিং অমদি ষ্টেট লেবেল স্কুল গেমসতা মেদল লৌরকখ্রবা মহৈরোয়শিং ৱাইখোম লৈকায় গভর্ণমেন্ট অপ্পর প্রাইমারী স্কুলদা ওকপা




Vol. 42, Issue No.350 | নোংমাইজিং, লমতাগী ১১ নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Sunday, March 17, 2019, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


## Important Phone Nos.

| | |
|---|---|
| Fire Service | - 101 |
| RIMS | - 2414478 |
| J.N. Hospital | - 2450385 |
| Imphal P/S | - 2450002 |
| City P/S | - 2458515 |
| Lamphel P/S | - 2414616 |
| Singjamei P/S | - 2450316 |
| Porompat P/S | - 2441404 |
| Patsoi P/S | - 2436015 |
| Lamsang P/S | - 2413725 |
| Wangoi P/S | - 2434066 |
| Nambol P/S | - 2453235 |
| Lilong P/S | - 2432246 |
| Irilbung P/S | - 2571216 |
| Lamlai P/S | - 2426149 |
| Sekmai P/S | - 03875 -266208 |
| Mayang/Imphal P/S | - 03879-209306 |
| Thoubal P/S | - 03848-222305 |
| Yairipok P/S | - 03848-263232 |
| Kakching P/S | - 03848-261229 |
| Moreh P/S | - 03873-261210 |
| Moirang P/S | - 03879-262201 |
| Jiribam P/S | - 03876-221205 |

## Today's Flights Timing (Non Stop only)

| | |
|---|---|
| IMPHAL → | AGARTALA |
| IndiGO | 13:25 |
| IMPHAL → | BENGALURU |
| IndiGO | 09:55 |
| IMPHAL → | DELHI |
| Air Asia | 12:55 |
| IndiGO | 14:30 |
| Air India | 15:55 |
| IMPHAL → | GUWAHATI |
| IndiGO | 09:45 |
| Air Asia | 11:15 |
| IndiGO | 12:10 |
| Air India | 12:45 |
| IndiGO | 13:45 |
| IMPHAL → | HYDERABAD |
| IndiGO | 10:10 |
| IMPHAL → | KOLKATA |
| IndiGO | 11:00 |
| Air India | 13:35 |
| IndiGO | 15:20 |

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা

## অ ঈং-অশাগী পাউ

| মফম | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ২৯.৪৭ °C | ১৭.৮৬ °C |
| চান্দেল | ৩৪.৬৮ °C | ১৭.২ °C |
| সীসীপুর | ৩০.১৬ °C | ১৬.৫৯ °C |
| ইম্ফাল | ৩০.১ °C | ১৬.৮৮ °C |
| সেনাপতি | ২৭.৫৬ °C | ১২.৯৫ °C |
| তমেংলোং | ৩১.৮২ °C | ১৫.৮৩ °C |
| থৌবাল | ২৮.৪৩ °C | ১৮.২৭ °C |
| উখ্রুল | ২২.২৪ °C | ১২.৩৪ °C |
| মণিপুর | ৩৪.৬৮ °C | ১২.৩৪ °C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.১২ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.২২
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.২৩
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট, জি ও এম

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 78.105253 |
| US Dollar | 68.962846 |
| British Pound | 91.705421 |
| Australian Dollar | 48.892688 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.272266 |
| Japanese Yen | 0.618667 |
| Malaysian Ringgit | 16.892651 |
| Australian Dollar | 48.892688 |
| Singapore Dollar | 50.885155 |
| South Korean Won | 0.060808 |
| Saudi Arabian Riyal | 18.390092 |
| Thai Baht | 2.180477 |
| Myanmar Kyat | 0.04864 |
| Bangladesh Taka | 0.82168 |

### Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 32716.58 |
| Mumbai | – | Rs 33475.94 |
| Delhi | – | Rs 33423.30 |
| Kolkata | – | Rs 33689.84 |

## HL POLL

Q : Indian Armyna Myanmarda Leiriba Lalhoubashingda Ahumsuba Surgical Strike Chatthakhre Hairibasi Thajabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

### NGARANG GI RESULT

Q : NSCN-K gi Luchingbashing Phajinkhre Hairibasi India-Myanmargi Mari Phagatlakpagi Khudamni Haina Loubra?

Yes 50% No 50%

# মীখল পাঙথোক্কদবা পুং ৪৮ ৱাংলিঙৈদা মেনিফেষ্টো ফোঙবা য়ারোই : ঈ সী আই




ইম্ফাল, মর্চ১৬(ঐচএনএস): পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মীখল পাঙথোক্কদবা পুং ৪৮ খক্তা ঙাইরবা মতমদা ইলেক্সন মেনিফেষ্টো ফোঙবা য়ারোই হায়না ইলেক্সন কম্মিসননা ফোঙদোকখ্রে।

কম্মিসননা ইলেক্সন মেনিফেষ্টো ফোঙবগী থৌওংবু মোদেল কোদ ওফ কন্দক্টকী শরুক অমা ওইহল্লে হায়না লাউথোকখি। শেমদোক্লবা মোদেল কোদ ওফ কন্দক্টকী মতুং ইন্না শুপ্নগী তাঙ্কক অমখক মীখল পাঙথোক্কদবা ষ্টেটশিংদা মীখলগা মরী লৈননা অথিংবা থল্লিঙৈগী মনুংদা মেনিফেষ্টো ফোঙবা য়ারোই হায়রি।

দি রেপ্রজেন্টেসন ওফ পিপল এক্ট ১৯৫১গী সেক্সন ১২৬না মীখল পাঙথোক্লমদাই পুং ৪৮ ৱাংলিঙৈদা ভোট খোঙ্গী থবক পায়খৎপা য়াদে হায়না ময়েক শেংনা ফোঙদোক্লি। মদুবু মেনিফেষ্টো ফোঙবগী মতাংদদি চপ চাবা মতম অমত্তা পনদে। মরম অদুনা মমাঙদা পাঙথোকখিবা মীখলশিংদা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মাগী-মাগী খুদোংচাবা মতম য়েংলগা মেনিফেষ্টো ফোঙবগী থৌওং চত্থখি।

কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা মমাঙগী লোক সভা মীখলদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না অহানবা তাঙ্কক্কী মীখল পাঙথোকপা নুমিৎ অদুমত্তদা মেনিফেষ্টো ফোঙখিবনি। মতমদুদা কোংগ্রেসনা ইলেক্সন কম্মিসনদা ৱাকৎখিবা তারবসু মোদেল কোদ ওফ কন্দক্টতা হীরম অসিগা মরী লৈনবা ৱাফম অমত্তা য়াওদবা মরম্না ইলেক্সন কম্মিসননা বি জে পিগী মথক্তা এক্সন লৌখৎপা ঙমখিদে।

হন্দক্কী মীখল অসিদদি মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট এমেন্দ তৌখিবগা লোয়ননা মীখল পাঙথোক্লমদাই পুং ৪৮ ৱাংলিঙৈগী মনুংদা মেনিফেষ্টো ফোঙবা য়ারোই হায়না ইলেক্সন কম্মিসননা লাউথোরকখিবনি।

ৱাফম অসিগী মতুংইন্না হৌখিবা মীখলশিংদা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মীখল পাঙথোক্কদবা নোংমা ৱাংলিঙৈদা মেনিফেষ্টো ফোঙনখিবদু হন্দক্তি য়াররোই হায়রি।

স্কুল ১৫ গী পোৎ-চৈ লৈনবগী লুপা লাখ ৮৭ লান্না শিজিন্নখি হায়বগী কেস

# সেসন্স কোর্টনা মীওই মরিগী মথক্তা চার্জ ফ্রেম তৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচএনএস): মণিপুর লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন (স্কুলস) লোয়শংনা লমদম অসিগী হায়স্কুল/হায়র সেকেন্দরি স্কুল ১৫ দা কম্প্যুটরশিং অমদি মসিগা মরী লৈনবা পোৎলমশিং পীননবগী লৌখৎলকপা থবক্তা লুপা ৮৭,৩০,৮৫৪ লান্না শিজিন্নৈ হায়দুনা লৌখৎলকপা কেসতা মনিত্রোনগী ওফিসল ৩ অমসুং কোলকতাগী ফার্ম অমগী প্রোপ্রাইটরগী মথক্তা কোর্টনা চার্জ ফ্রেম তৌখ্রে।

হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমসুং হাইস্কুল ১৫ দা পোৎলমশিং অসি পীননবগীদমক দাইরেক্টর ওফ এদ্যুকেসন (স্কুলস) অমসুং মনিত্রোনগী মেনেজিং দিরেক্টর অমসুং জেনরেল মেনেজরনা হৌখিবা কুমজা ২০০৫ গী দিসেম্বর ১৭ তা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) অমা খূৎয়েক পীনখিবনি। এম ও য়ু অসিগী মতুং ইন্না স্কুলশিংদা পীগদবা পোৎলমশিং অসি থা ৩ গা নুমিৎ ১৪ নিগী মনুংদা পীগদবনি হায়বগা লোয়ননা পোৎলমশিং অদুনা ঐচ পি কম্প্যুটরশিং, টেবলগা কোন্নবা চৌক্রি ৭৫, ইপ্সন প্রিন্টর্স-১৫, কিরলোস্কর জেনরেটর সেট-১৫, তোশিবা দি এল পি টি-৯১-২২০০-১৫, অহুজা ওদিও এমপ্লিফায়র-১৫, সোনি হোম ভিদিও সিষ্টেম (হোম ঠিয়েটর) গী সেন্টিমিটর ১৫৭ পাকপা স্ক্রিন অমসুং মসিগী এসেসরিশিং, শার্প ১.৫ টোন এ সি-১৫, ৱিন্দো ২০০৩ সার্ভর অমসুং এম এস ওফিস এক্স পি-১৫, অমসুং মসিগী টেলে লিঙ্ক মোদম, অমসুং পোর্ট স্বিট্চ-৮, য়ু টি পি কেবল আই ও বোক্স, আর য়ু জে সোকেট, দি বি বোক্স, এম সি বি, স্বিট্চ গ্যার য়াওনা ফ্লোপি অমদি দিক্স কেজশিংনি হায়রি।

হায়রিবা পোৎলমশিং অসি স্কুলশিং অসিদা পীনবগীদমক এদ্যুকেসন (স্কুলস) লোয়শংনা মনিত্রোন্দা লুপা ১,৮০,৪৬,৩৬৫ দিপোজিৎ তৌখি হায়রি।

দিপোজিৎ তৌরক্লিবা শেনফম অসিগী মনুংদগী মনিত্রোননা কোলকতাদা লৈবা এম/এস দাটা ইনফোসিসকী প্রোপ্রাইটরদা লুপা ১,২১,৩৯,২৭৫ দিপোজিৎ তৌখি হায়রি। অদুবু মনিত্রোননা কম্পেনি অসিদা দিপোজিৎ তৌখিবা শেনফম অসিগী মনুংদগী কম্পেনি অসিনা শুপ্নতগী লুপা ৩৪,০৮,৪০৮ গী পোৎলমশিংখক্তমক সপ্লাই তৌরক্লগা লুপা ৮৭,৩০,৮৫৪ অসিনা মনিত্রোনগী ওফিসলশিং অসিগা কম্পেনি অসিগা মান্নরগা লান্না শিজিন্নখিবনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ভিজিলেন্স ...*মখা লামায় ৩ কলম২*

# এম জে এস ওফিসরশিংগী ফম হোংদোক-হোংজিন তৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচ এন এস): হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী রেজিষ্ট্রার জেনরেল এ গুনেশ্বর শর্ম্মনা ঙরাং থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না মণিপুর জুদিসল সার্ভিস (এম জে এস) ওফিসর মরি প্রমোসন পীখিবগা লোয়ননা ওফিসর ১৭ কী ফমশিং হোংদোক্লহনখ্রে।

ওর্দর অসিগী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জজ, ইম্ফাল ৱেষ্টকী থবক পুরকখিবা মাইবম মনোজকুমারনা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জজ, ইম্ফাল ইষ্ট ওইরগনি। অদুগা ফম অসিবু পুরম্বা জি গাইফুলশিল্লুনা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা) গী মেম্বর সেক্রেটরি ওইরগনি। উখ্রুলগী দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জজ ওইরকখিবা এন রজনিকান্তনা এম এ সী টি/রেভিন্যু/কোওপরেটিব ত্রাইব্যুনেল, মণিপুরগী প্রিসাইদিং ওফিসর ওইরগনি। অদুগা ফম অসিবু পুরম্বা এস তারানা স্পেসল কোর্ট, এন দি এন্দ পি এস (ফাষ্ট ট্রেক কোর্ট), মণিপুরগী জজ ওইরগনি। অদুগা ফম অসিবু পুরম্বা দব্লিয়ু তোনেন মৈতৈনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী রেজিষ্ট্রার (জুদিসল/ভি আই জি) গী ফম পুরগনি।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী রেজিষ্ট্রার (জুদিসল) ওইরম্বী আর কে মেমচানা ...*মখা লামায় ৩ কলম৪*

# প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা মণিপুরগী আর্চর বোম্বেলাদা পদ্মশ্রী এৱার্দ খুৎশিন্নখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচ এন এস): প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা ঙসি মণিপুরগী মমিং লৈরবী আর্চর লাইশ্রম বোম্বেলাদা পদ্মশ্রী এৱার্দ পীদুনা ঈকায় খুম্নখ্রে।

রাষ্ট্রপতি ভবনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা প্রসিদেন্টনা মীওই ৩ দা পদ্ম বিভুষন, মীওই ৬ তা পদ্ম ভুষন অমসুং মীওই ৪৮ দা পদ্মশ্রী এৱার্দ খুৎশিন্নখি।

পদ্ম বিভুষন এৱার্দ ফংখ্রবা মীওই ৩ অদুদি, ডা. টিজান বাই, জিবোতিগী প্রসিদেন্ট ইস্মেল উমার গুইলে অমসুং অনি কুমার মনিভাই নায়কনি। পদ্ম ভুষন ফংখ্রবশিং অদুনা মহাসয় ধরম পাল গুলাতি, দর্সন লাল জেন, ডা. অশোক লক্ষ্মন রাও কুকাদে, সঙ্করলিঙ্গম নম্বী নরায়নন, বচেন্দ্রি পাল অমসুং বিজয় কিষন সুংলুনি।

পদ্মশ্রী এৱার্দ ফংখ্রবা মীওইশিং অদুনা ...*মখা লামায় ৩ কলম৭*

# ইন্দিয়ন আর্মিনা ওপরেসন চত্থরকখিবা লৈতে : খুঞ্জাশিং

ইম্ফাল, মর্চ১৬(ঐচএনএস): ইন্দিয়ন আর্মি অমসুং ম্যান্মার আর্মিগী অপুনবা টিম অমনা অৱাং-নোংপোক্কী লালহৌবশিংগী মথক্তা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক চত্থখি হায়বগী রিপোর্ট তোঙান-তোঙানবা পাউচেশিংদা ফোঙনখ্রবা মতুংদা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দরগী খুঞ্জাশিংনা অসিগুম্বা মখলগী ওপরেসন অমত্তা চত্থরকখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ফেব্রুৱারি ১৭ তগী হৌরগা মার্চ ২ ফাওবা ইন্দিয়ন আর্মি অমসুং ম্যান্মার আর্মিগী অপুনবা টিম অমনা অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখত্তুনা ম্যান্মারদা লৈরিবা অৱাং-নোংপোক্কী লালহৌবশিংগী মথক্তা এটেক চত্থখি হায়না তোঙান-তোঙানবা পাউচেশিংদা ফোঙনখিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা ঙমখৈ মনাক নক্লা লৈবা খুঞ্জা অমনা এজেন্সিদা হায়খি, ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মারগা তায়নরিবা ঙমখৈদা নোংমৈ কাপ্পগী মখোল তাখিবা লৈতে। ইন্দিয়ারোমদগী অসাম রাইফলস নৎত্রগা ম্যান্মার-রোমদগী লান্মী অমত্তা ঙমখৈ মনাক নক্লা চঙলকখিবা লৈতে। করিগুম্বা লালহৌবশিংগী মথক্তা ওপরেসন চত্থখি হায়বা তারবদি ঙমখৈ মনাক নক্লা খুন্দারিবা খুঞ্জাশিংনা খঙফম থোকপনি হায়নসু খুঞ্জা অদুনা 'নোর্থ ইষ্ট নাউ'দা ফাঙদোকখি।

# দ্রগ কাপ্পশিংগী মরক্তা হেপটাইটিস নাবগী চাং ৱাংলি, মতম চানা লায়েংনবা এব্রেয়রনেস চঙই : নলিনিকান্তা

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচ এন এস): ষ্টেটসিদা দ্রগ কাপ্পশিংগী মরক্তা হেপটাইটিস নাবগী চাং ৱাংলি, মতম চানা লায়েংনবা অমদি লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা এব্রেয়রনেস চঙই হায়না কম্যুনিটি নেটৱার্ক ফোর ইম্পৱরমেন্ট (কোন)গী প্রসিদেন্ট নলিনিকান্তনা ঙসি হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাঙথোকখিবা মীদিয়া সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রামদা ফোঙদোকখ্রে।

কোননা শীন্দুনা প্রজেক্ট ষ্টেন্দর্দ ওফ হেপটাইটিস সী হায়বা হিরমদা পাঙথোকখিবা সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রামদা ৱা ঙাঙলদুনা নলিনিকান্তনা হায়খি, হেপটাইটিস সী হায়বসি হৌজিক হেল্থ ইস্যু ওইরি। দ্রগ কাপ্পশিং অমদি মখোয়গী পার্টনর-শিপগী মরক্তা হেপটাইটিস সীনা নাবগী চাংগী মরমদা দেটা অমা পুথোক্লবা চঙশিনবা মতমদা দ্রগ কাপ্পশিংগী মরক্তা হেপটাইটিস সী নাবগী চাং ৱাংলি। হেপটাইটিস সী লায়েংনবা হিদাকশিং নীংথিনা লৈরে। লায়েংবসু ঙল্লে। হেপটাইটিস সী নারে খঙলবদি মতম চানা লায়েংনবা থবক পায়খৎপা চঙই।

ভাইরেল হেপটাইটিস মখল ৫ রোম লৈ। হেপটাইটিস এ বিনচিংবা কয়া অসি নাদ্রিঙৈদা ঙাকথোক্লবা ভেক্সিনেসন তৌবা য়াই। হেপটাইটিস সীনা নারে খঙলবা মতমদা হিদাক থাগদবনি। মালেমগী ওইনা হেপটাইটিস লায়নাগী মতাং অসি য়াম্না অচৌবা ইস্যু ওইরকপনা থৌরাং কয়া লৌখৎলক্লি। জুলাই ২৮ অসি ৱর্ল্দ হেপটাইটিস দে হায়না পালন তৌরি।

য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা নেসনল ভাইরেল হেপটাইটিস কন্ট্রোল প্রোগ্রাম (এন ভি ঐচ সী পি) হৌদোকখ্রে। ষ্টেট অসিদসু এন ভি ঐচ সী পি অসি হৌনবা থৌরাংশিং তৌরি। হেপটাইটিসকী মরমদা মীপুম খুদিংমক খঙমিন্নবা হায়বসি য়াম্না মরু ওইরক্লি। লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা চেকশিন থৌরাং কয়াসু খঙমিন্নবা তাই। মীয়ামদা হেপটাইটিসগী মরমদা খঙহনবদা মীদিয়াগী থৌদাং য়াম্না চাউই হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরমদুদা ঐচ সী বি দ্রগ এফোরদেবিলিটি প্রোজেক্ট, কোনগী প্রোজেক্ট কোর্দিনেটর দি সী অচুং অমদি প্রমোদ নিঙোম্বমসু শরুক য়াখি।


## STAFF WANTED

Applications are invited from the willing candidates for the following post.

DETAILS OF POST :

| Post | Qualification | M/F | Exp. | Age | No.of Post | Scale of Pay |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. Accountant | B.com/M.com | M/F | 3-5yrs | 30&above | 1 | Negotiable |
| 2. Collector | XII | M | - | 30&above | 4 | Negotiable |
| 3. Reception | XII | F | - | 30&above | 2 | Negotiable |
| 4. Caretaker | VIII | M | - | 40&above | 1 | 9000 + Incentive |
| 5. Security | VIII | M | - | 30&above | 2 | 6000 + Incentive |
| 6. Driver | VIII | M | 3-5yrs | 30&above | 10 | 9000 + Incentive |

Imphal Finance Co-op. Thrift & Credit Society Ltd.
H.O.Loklaobung,B.O.M.G. Avenue,Paona Bazar & Bishnupur Bazar.
Note: Last date of form submission is 20/03/2019

HL-P/6007/27/2-31-3


# পাউচে অসিগী বেবিচা য়াওনা পাউমী ৫ দা এৱার্দ পীরগনি



অসেম বেবিচা

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচ এন এস): ক্রাইম এগেনষ্ট ৱিমেন এন্দ চিলদ্রেন ফ্রোম জেন্দর পর্স্পেক্টিব ২০১৮ গা মরী লৈননা ঈ-পাউগী লমদা থৌদাং কয়া লৌখিবগীদমক পাউচে অসিগী রিপোর্টর অসেম বেবিচা য়াওনা পাউমী ৫ দা এৱার্দ পীরগনি হায়না ৱিমেন এক্সন ফোর দিভলপমেন্টকী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ৱিমেন এক্সন ফোর দিভলপমেন্টনা পীবা এৱার্দশিং অসি থা অসিগী ১৯ দা সিরোই কনফরেন্স হোল, ইম্ফাল হোটেলদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদা লান্থোক্কনি। থৌরম অদুদা পাউচে অসিগী অসেম বেবিচা প্রোমিজিং রিপোর্টরস এৱার্দ খুৎশিন্নরগনি।

এৱার্দ ফংলবা অসেম বেবিচা য়াইস্কুল হিরুহনবা লৈকায়দগী অসেম প্রসান্ত কুমার অমসুং অসেম ওংবী নির্মালাগী মচানুপী ইতোন তোনবীনি। অসেম বেবিচা কুমজা ২০১৫ দা মণিপুর টুরিজম ফোরমনা পীবা মীদিয়া ফেলোশিপ এৱার্দ, কংলৈপাক্কী মৈরা পাউচেনা পীবা বেষ্ট জর্নেলিষ্ট এৱার্দ (ৱিমেন) ২০১৪, ৱিমেন এন্দ চিলদ্রেনগী কেটগোরিদা ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্দ ২০১৫, আর কে সনাতোম্বা জর্নেলিষ্ট এৱার্দ ২০১৬ অমদি ৱিমেন এন্দ চিলদ্রেনগী লম্দা ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্দ ২০১৮ সু ফংখ্রে।

এৱার্দ ফংলগদবা অতোপ্পা পাউমীশিং অদুনা বেষ্ট রিপোর্টর এৱার্দতা আই এস টি ভিগী ন্যুজ ষ্টাফ রিপোর্টর ডা. নোংমাইথেম রীনা, প্রোমিজিং রিপোর্টরস এৱার্দতনা ইম্ফাল ফ্রী প্রেসকী ষ্টাফ রিপোর্টর বেবি শিরিন, সঙাই এক্সপ্রেসকী ষ্টাফ রিপোর্টর সাপম অরুনা অমসুং ঙাসেপম লিক্লাই লৈমানি হায়রি।





HL-P/6080/17,18


## অস! লোইরেহে!

সোমসে মৌ মাল্লি, থাবল শীল্লিবশিংনা খঙলদি খবরদা শেংদোকচনি নঙ!



হোয় ঐসু মৌনে তামো, তামোসু য়ুম পাল্লে খঙজে, খঙখ্রবদি ফরক তাজনি!